ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩, ২০২২ ইং

ফুরুপকী ইসু শাগৎলোইসি

মনিপুর য়েহৌঙৈদগী তোঙান–তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুন্দামিন্নরকপা লমদমনি। মহৌশাগী খূৎশেমনা চীং–তম খায়দোক্লগসু নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী চীংমী তম্মী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকপগী খুদম চাংদম কয়া পুব্রারীদা ময়েক শেংনা য়াওরি। চীং–তমগী পুল্লগা মনিপুর হায়না খংনরবনি। মনিং–মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা পাল্লম্বদগী লোইলম শন্দোকপা বৃটিশকী মখুৎতা লোই চল্লুরবা মতুংদা অমুক হন্না তেল্লবা মতমগী ওইনা নিংখা তম্বা হঞ্জিল্লবা মতুংদা ইন্দিয়াদা তিনশিনখিবনি। ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তীন্দুনা লাক্লবা শাংলবা চহি অসিদা মনিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা চুংশিন্নবা ৱাৎপগুম লনাই ফুরুপকী ইসু শাগৎনবগী কাইদা অমা লাক্লি। মলেমদা লোইলম শন্দোকপদা চোকথবা নাইদ্রবা বৃটিশনা লোই চনশিল্লবা লৈবাকশিং অমুক হন্না অপুনবগী মপাঙ্গল শাগৎপা ঙমদনবা চলাইরম্বা দিভাইদ এণ্ড রুল পোলিসি মখা তানা শমথহৌবদগী চুংশিন্নবগী ৱাখল্লোন অসি মমি শাল্লকখিবনি। অদুবু চীং অমসুং তমদা লুচিংবা কয়াগী মরক্তগী ঐখোয় চীংমী–তম্মী অমত্তনি। কনাগুম্বা খরগী শাফুদগী মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম থুগায়বা য়ারোই হায়দুনা লাউবগা লোয়ননা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। দিভাইদ এণ্ড রুল পোলিসিদা চুশিনখ্রবা ফুরুপখক্কী ওইবা ইশু শাগৎলিবা মীওইশিংনা অদুগুম্লবা লুচিংবশিংদু য়েক্লবা অমগুম্না লৌরি। ফুরুপকী ওইবা ইসু শাগৎপদা পোলিটিসিয়ানশিংগী মরক্তা পোলিটিক্সকী খুদোংচাবা লৌহৌনবা নাকোইননা শৌগৎপা য়াওরক্লি। মীখল মতম য়ৌশিল্লকপদা ফুরুপকী ওইবা ইসু শাগৎনবা ইন্সিনবগী থৌওং চত্থনরি। মসিমক্তি লমদমসিগী ওইনা লাইবক থিবা ওইগনি।

মনিপুর ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নবা ওইবনা ফুরুপকী ওইবা ইশু শাগৎলকপসি য়াম্না নুংনাংনিঙাইহনি। ফুরুপশিংগী মরক্তা থাজনহন্দুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা পোলিটিক্স তৌরিবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। ফুরুপ অমগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং ফংহন্দ্রে, হন্থনা য়েংবিরে হায়বা ৱাফমশিং থোরক্লিবসি কনাগুম্বা ফুরুপ অমনা ফুরুপ অমগী ফংফম থোকপা চাকথুং কৈদৌনুংদা মৎলল্লোই। মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং মৎলিবা অসিদি ইলেক্সন্দা মীয়ামগী পাউখোল্লোইনি হায়না খনগৎলগা হক শিন্নখিবা লুচিংবশিংদুনি। মরম অদুনা মীয়ামগী লুচিংবশিংগী মরক্তগী মীয়ামগীদমক থম্মোই শেংনা থবক তৌদ্রগা ইলেক্সন মতম য়ৌরকপদা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক ফুরুপ অমদা ইন্সিল্লগা খূৎলাই ওইনা শিজিন্নবদি অফবা পোলিটিক্সকী খোঙথাং ওইরোই। মীয়ামদা ইন্সিনবদা চাকথুং মৎলিবদুগী অকুপ্পা রিপোর্ট ময়েক শেংনা কনানা কনাগী মতমদনো হায়বদু খঙহনবগা লোয়ননা চাকথুং মৎলিবশিংদু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলক্তনবা পুন্না ফিরেপ লৌবা চুমগনি। মনিপুরদা মীখল ঙকয়াদা মখল মখা কয়াগী ৱারোল কয়া ফোঙদোকপা চৎনরক্লি। ৱারোলশিংদুদা অপুনবগী ৱাখল্লোন্দগী নাথৈরগা মরনাইগী খুদোংচাবা লৌনবা ফুরুপকী ওইবা ৱাফম পল্লগা মীচং খোম্নবা হোৎনরকপা য়াওরকই। অসিগুম্বা থৌদৌশিং অসিনা লমদমসিদা ইসু অমা শাগৎহনবগা লোয়ননা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশিনহন্দনবগী শিংচেপ থাজনবগুম থোক্লি। থৌদৌশিমক্তি মীয়াম্নসু চোই চাং ওনদুনা য়েংবগী মতম য়ৌরক্লে।

চৎনবীদা কুশি–রাসিদি তৌরোইসিদা

হেমজিৎ ইরোম্বা

কোবিদ–১৯ লায়চৎসিবু লৈরমদ্রবা কয়াদ নুঙাইগদবনো? হৌখিবা কুম ২০১৯ গী ডিসেম্বর থাদা চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সকী ৱুহান সিটিদা ইহান হান্না শন্দোরকখিবা কোবিদ–১৯গী লায়চৎনা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোকখিবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অমা পীখম্নখি, পীখম্নরক্লি। লাই ওইখ্রবা থৱাইশিংদু অরেম্বদা মাংবদি য়াদবনিনা লাইরৈবাক্তা কয়াদা ৱানা লৈরমগবা! তাইবংদসু অৱাবা নংবা লাইরম্লেন্দসু অদুমক ৱাদনিঙাই লৈরোই। মসিদি চুমখ্রবা ৱাফম অমনি। মসিবু লাল্লি হায়না হায়গদবা মীওইবা কাঙলুপ্তা কনা অমতসু লৈরম্মোই। মপুন্সি লোইদুনা অশি লৈবাক্তা পামদ–পামদনা চৎখিবা থৱাই কয়া মখোয়শিংনা তোঙান লৈরগা কোবিদ–১৯ গী লায়চৎনা অশি লৈবাক্তা চৎনিংদ চৎনিংদ চৎখিবা থৱাই কয়া শোয়দনা তোঙান্না লৈরমদৌরিবনি। অশি লৈবাকপু পান্নরিবা হিংলিবা ঐখোয় মীওইবনা থাজনরিবা যমরাজ কয়াগী মতিক ৱারমগনি। যমরাজগী লৈঙাক্তা অহৈবা লৈঙাকপা মখোয়শিংশু অৱাবদা অৱাবা শোয়দনা ওইরমগনি।

মতমগী মতুং ইন্না নোংমা নোংমা হৌখিবনা ঙরাং লোইদুনা ঙসি অমুক লাকপা, ঙসি লোইখিদুনা হয়েং অমুক লাকপা থিংলুবা য়াবা নত্তে। চৎখিবগা লাকপগা অনীসি ইথা থানবা য়াদনা অদুমক লৈরগদবনি। মরান ইরৈ লৈতনা হাৎতোকপিখ্রবা মীওই কয়াগী থৱাই, নিষাদা লাইচুবদগী মপূন্সি খাঙুথক্তা পীখম্নখ্রবা কয়াগী থৱাই মসিদা নত্তনা মরৈবাক মরমদমগীদমক পোন্থা ওইরকখ্রবা থৱাই ওইবা পুন্নমক মখোয়গী মরি–মতা মচা–মশুশিংনা লাংবন থানা লাকপসিদা নিঙোল ওইবীশিংনা মপা–মমা, মপু–মবেনশিংগীদমক মপাম লমদা পুরকপা হৈরাং–লৈরাং চেং–থোইদিং কুম অমগী কৎলুনবগীদমক পুরকপশিং য়াওনা মমা মপা ওইবশিংনা থম্মোই শেংনা তর্পনগী হৈশোয় কৎচবা লাই ওইখ্রবা থৱাই কয়া শোয়দনা লাক্লমগনি হায়বগী থাজবা ঙসি ফাওবা লৈনরি।

লাই ওইখ্রবা থৱাইগীদমক কৎপীরক্তবা মাদি করম তৌনা খাঙলমগনি। অশি লৈবাক্তা লৈরিবা থৱাইশিংদুগী মনুংদা শোয়দনা ইকাইবা য়াওরমগনি। লাংবন থাসিদি নুংশিখ্রবা থানি। থা অসিদা ঐখোয়গী লাই ওইখ্রবা ইমা–ইপা, ইচিন–ইনাও .... ঙম্নমক লাইরম্লেন্দগী মীরমলেন্দা শোয়দনমক্কী কুম্লকই হায়না থাজনরিবনি। অরৈবা ইমুংনা লাইদা লাইরুক অমা কৎতুনা লাই ওইখ্রবা মখোয়গীদমক কৎপা, লৈবা লৈতবগী ৱা নৎতবদা কৎপা ঙল্লিবসে নিংজবগী থৌনাদগীনি। তাইবঙ মীওইবনা তৌগে নিংবদা ঙমদবা করিবু লৈবগে?

কনাগুম্বগী ইমুংদা নুপীনা তর্পন কৎপা য়াওদবা নত্তে। মসি মুন্না খল্লুরবদি নুংশিখ্রবা পোৎনি। নুংশিবদা অদুনি অদানি হায়দুনা খাইদোকপা য়াবা নত্তে। মতমগী য়াওন মতুং ইন্না নুপীগা নুপাগা রাইট মান্নে হায়না লৌনরবনি। মসিগী মতাংদা য়াদবা অমা অনিদি লৈতবা নত্তে। শম্না হায়রবদা নুপী অমতনা খোঙদ্রুম, মাইরেন, তোর্বোৎনচিংবা খায়বা য়াওদবনি। মসিগী ৱাহম্থোক্তি লৈরিবনি। ইনখৎলকপা ইনখৎলকপী অমত্তনা লফোই ফাইবোক চানদে। মসিগী মনুংগী ৱা অমা লৈবনা ঙাক্লরিবনি। হায়নবা তৌনদবা থবক থৌরমসিমা তিনখেৎ–লাইখেৎতুনা তৌবা য়াবা নত্তে। অহনগী মনাক ফম্লবা হিংবদা কান্ন–কান্নরবা পাউতাক কয়া অমা ফংদনিঙাই লৈরোই। লমচৎ ব্যবহারদদি থাইনগী মীওইনা অদুম মচু তাবা ফজবা হেল্লবনি। হৌজিক্কী হৈথোইরে–শিংথোইরে হায়রিবা মীওই অয়াম্বনা ইকাইরিবা করিগীনো? লমচৎ ব্যবহারসিদি নোংমা–নোংমগী হেনগৎলকই হায়বদি লানগদৌরি। চহী খরগী মতুংদদি হৈমন–শিংমনবা, মীগী মশিং য়াম্লকপনা লাংবন থাগী তর্পন কৎনরিবসি ফাওবা তোক্লক্কদবা মাল্লবনি। অরৈবনা হৈশোই ময়াম কৎলবসু, লৈজদবা মাগীদমক্তদি চেঙ–থোইদিং, ঈশিং খুজোক খরা মসিতসু কৎচবদা লাই ওইখ্রবা থৱাইনা পেনগদৌরিবনি।

তাইবংশিদা নুঙাইনা লৈরবা ধর্ম্ম লৈবা কনাদসু করিশু অরানবা তৌদ্রবা মীবু অসুক্কী মতিক নুংশিজনা তৌজবা মহাক অদুনা তাইবংপানসি থাদোক্লম্লবসু লাইরমলেন্দা অৱাবদি কৈদৌনুংদা মায়োক্লগনি হায়বা থাজবা ৱাৎলবনি। হিংলিঙৈগী মতমসিদা শিরোই–নারোইদৌবদৌনা শাহিং–ঙাহিং চাবগী নিতিদা লৈরবা শিফম–নাফম খঙদনা শিবসু শিগদৌরিবনি। অশিবা মাগী থৱাইদুসু কৈদৌনুংদা লাইরম্লেন্দা নুঙাইনা লৈরমগনি হায়বা ওইদ্রবা ৱানি। শিরবসু হিংলবসু নহানমুক্কী মপোক্তা মানা মানা তৌরকপা থবক থৌরমগী মতুং ইন্না মানা হিংলিঙৈদা থেঙনজবনি। মসি কনাদসু ৱারৌবা য়াবা নত্তে।

নুংশিখ্রবা লাংবন থা অসিদি লাই ওইখ্রবা থৱাইশিংনা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গা লৈমিন্নবগী তাঞ্জা অদুমা লৈরমগদবা মাল্লিবনি। তর্পনগী হৈশোয় থাদোকফম ঈকোল লৈতবনা থোঙ্গালদা থাদোক্লবসু কোঙ্গাইনি। মসিগুম্বনা মশীংবু য়াম্লবনি। মতম অমদদি পূখ্রিদা , তুরেলদা থাদোক্লরল্লিবনি, কৎনরল্লিবনি। পূম্নমক হৌজিকপু পাঙথোক্লরি হায়বা য়াব্রা? পুম্নমক মমি শামখ্রবনি। মতম খরা লৈরবদি লাইগীনি তীলগীনি হায়নরিবা তিংথৌ–পুংফাই ঙম্নমক থিবদা ফংগদবা মাল্লক্ত্রবনি।

মতম অমদা লৈরম্বা ঈশিং চানরম্বা পূখ্রি ফুনজিনখিদুনা য়ুম শাজিনখিবা অয়াম্বা ওইনরবনি। তিংথৌ ফাওবা কৈথেলদা য়োল্লকপগী মতম লাক্কদৌরিবনি। তর্পনগী হৈশোই ফাউবা কিলোদা গ্রামদা য়োল্লকপা, হোম ডেলিভরিকা তৌরকপা য়ারি। মসি থাজদবা য়াবা নত্তে। থাজ–থাজদনা অদুমক ওইরক্কদৌরিবনি। লম্বী শরক্তা চৎলিবা মীয়ামসিগী মনুংদা নুপানা নুপী শাদুনা নুপী ওইবীশিংগী ফিজেৎ–চাকচাদা খেন্নবা লৈতবা, হেক উবদা নুপী ওইরবোই নিংবা মশিং কয়া থোরক্লবনি।

শুমাং কুম্মৈদা নুপানা নুপী শাবনা শাবনি লম্বী শড়ক্তা অচৎ–অওক্কী মমাংদা ওইদ ওইরবোই মালহনবা পূম্নমকসি য়াইনা য়াইনা হায়দনা ঙসি ফাওবা মখা চত্থনদুনা লাক্লিবসিনি। য়াদবা লৈতরে, অয়াবা ঙাক্তনা মশীং য়াম্লকপসিদা মওং অমদি শোয়দনা লাক্লগদবনি। শুম্নমক্তবু ইন্দিয়াগী ওইনা থার্ড জেন্দর হায়বা অমা হাপকৎলক্লিবসি মঙাই। হৌজিক্তি মখোয় নুপী মানবী, নুপী ওইজনিংবীশিংগীসু লৈঙাক্লা মফম পীবিরে। মসি হায়রে হায়দুনসু তাইবংপাল শেবাৎনবা থবক্তি তৌবা চুম্লোই। মীওবনা মীনা নুংশিরোইদবা তুক্কৎচগদবা থবক থৌওংদি হেক য়ারিমখৈ তৌদবনা ফরবনি। খংদ্রেদা কুশি–রাশি তৌবনা মশিং য়াম্লকপসিদা।

খোঙ্গুল লীবা

(নিংথৌ তোনকোনবা–লাইনিংথৌ শাপাইবা)

মৈতানকৈশংবম মৈনো খুমন

তাং ১৬/৮/২০২২গী মখা

মাকলৌরেম ঐবু কোরৌ নোংলাংপান অৱাংবদা ইতোম থৌথাববু চেংলৌ মিৎকুপ মরুমদা লেংশিনগদবগী তাইবং নোংসাপানগী ইমান সনা নখোংখাদা তাল্লোই তুইন ঙমলোই। কোরৌ অসি নুমিৎ মাগী মখৈ খোইয়ুম ইরাক চিন্দা য়াংগোই খামন খোইয়ুম চিনগোই অমেংবনা অসুম ৱাহমলবগা মমান কোলোলই মতিনমেনবু নিংথৌ খুৎশিননা মমোম লৈরাং অতোনবিগা তাওদনবা খাগী নহা সাফাবগা লাংগোই শায়াং মথক্তা নুমিৎ মঙাল নাইনা কোরৌ নুমিৎ লৈমগীদমক ৱাংলেন পুংজা খেনজোং অমবু লেপ্পা মমান নিংথৌ মপাথিবগা ৱারেপ্নখিয়ে। অদু নোংগীবু কোরৌ নুমিৎ য়ুংবাওঃ তৌনা কৌয়ে, নিংথৌ মাপাথিথুং অৱাং থাংৱাই নোংশাখম মাললৈ লৌনাথুংবু নমদা হুন্না মমোম লাংলেন কোংয়াং ৱাপীহনগা থিংলৌ নিংনা তেনা মরান য়ুমকারক্লে।

নিংথৌ শঙ্গাই মরোল লোইদাম ৱাইথুংলবগা য়োইবু মসানৌ য়াইবিলৈমা নুয়াম্ সাফাবিনা পাও হংঙমমে। নিংথৌ ইশাবীওঃ নমোম লৈরাং অতোনবি স্না খোংনাং চানুদি য়োইময়াই তাওদনবাখাগী নহা সাফবনা অৱাং কোরৌ নোংলাপান্দা ইমু ময়াই তাওদনবা খাগী নহা সাফবনা অৱাং কোরৌ নোংলাংপান্দা ইমু ফমশিননা থৌদা মাননগে হায়না খোইমোম নুমিৎ লৈমগি কোরৌ নোংগা মান্নখিরে, অসুম পাওমেল্লবদা পল্লেম মমা পোকমাাবিনা মালেম লৈদা ওননা মিকপখি হায়দবরা?

য়োইবু পিরেন মরাং হৌরবগী মসাবী নিংথৌ মফাথিনা ৱাহমখিয়ে। সানৌ য়াইবি লৈমাওঃ হেকঙাই মপাও চাওনা ৱা ওইরগনো, নমোম লাংলেন কোংয়াং ৱাবিহন সৌবোন য়াইরেন অসিসুং নিংথৌ ইমানন্নবা তাইবং নামু পোংচা কনা ঙম্বদা কাউজন্নফরোই, খোইয়ুম নামুংবা চিংঙু সিদবদা কাউজননঙৈনে হায়না পাওমেন্নখরবদা, মশানৌ য়াইবী লৈমাসুং পিরেন খকমা তাববু চৈরৎলে, মপল ২মানা মমোম লাংলেন ৱবিহনবু, শুমাং নুংমাংদা কংলৈ য়াথোকহন্দনা নাওয়োকচখিয়ে হায়দবরা।

খোইয়ুম লাইনিংথৌ মাপুথিবগী মমোম লাংলেন ইবেম্মা স্নাখোংনা লৈমদি নুমিৎ কোরৌ অঙানবা খাগী মশানৌ ওইববু কোরৌ নোংলাংপান্দা নুংঙাই থোইনা পানখ্রে। মমোম লাংলেন অতোনবীগি খোইজ খাদা মিতমখ্রে হায়বগী য়ুমথোইবা মৱা মপাওবু তাবদা পলেম পন্থৌ অনিনা পাইমা ৱাখল নুংঙায়জিখিয়ে। খোংলৌ পল্লৌদনা তুরৈ ঈরৈ চেন্দনা তাওজিং হৈজিং ফানা লোইদাম থাশিং শুরগা মপারি মমোম ফংজনবা নোংদমহৈবা মপুদা মালেম লৈগী নিংথৌ মপুথিবগা মশানৌ ইবেম্মা য়াইবী লৈমগা অনিমবু মমোম শৌবোল লারেন মনু থাজরমদাইদা থৌনিজখি।

নোংমগী কোরৌ নুমিৎ অমদা নুমিৎা চীংয়া তমখ্রবা, ইনুংবা য়াচংবা মতমদা, নিংথৌ মপুথিবগী মরানয়াইদা তাইবং পুম্বনা য়েংবদা হঙ্গোইনরবা অহল অমা থুংলরে। মশমনা চাদুম চাদুম তাশল্লবা অহলদো লাইথুং লায়না অপাৎ–অনোম অপোম্বনা মতুংদা হয়িং খোইয়া ইল্লে। মাগী মশক উবদা, তাইবং মীপুম খুদিংনা চরৈ ফিনা নিংশা ইহুল মেন্নরে, কোংয়াং চৈশু খূৎতা পাই মশা চেং খৈবগুম নিক্লা চংলকপা অহনদু উবদা লৈরম্বা মীওইশিং শমজি খাইনা চেন্নখরে। মখোং থাংবদা শদৌ থোংলবা, অহল অদুবু য়েংলগা নিংথৌ মপু থিবনা অহল নংবু কনানো হায়না কোলোয় মপাও হংলক্লে।

মপুথিবা নিংথৌবনা মপাও খুমখিয়ে। হাদা নিংথৌ মপুথিবা কৌবওঃ অহল ঐগী ইৱাহৈসে উনবি পুক্লিং চংনা তাবিয়ো। অহল ঐদি নোংদম লাইবক থিবা মপোকনে। তাইবং নোংশাপানসিদা ইয়াম্বা লৈতে, ইখাদসু ইনাও তাদেয়ে। পাঙ্গননা ফরিঙৈ ইচাক ইরব ৱাৎত্রিঙৈ মতমদদি ঐগী মিচংনা লোইবী চীংজাওগুম্না ইমাংদা লেপ্লম্মী। পুন্সিনা ময়েং তারক্লবা মতম অসিদদি, ঐগী মিচংনি হায়বদা কোঙ্গোলগুম তাকখ্রে। ঐনা চৎলু চৎলুবদা খরাই থোঙ্গাল খুদিংমক লোইনা পোরোল লোন্নখ্রে। তরা চখোম অমা পিজখিবনা লাইজা ঈশিং মরিক অমা পিথকপিনবা তাইবং কনা লৈখিদ্রে।

শিবা মাবু ঙাইবদা ঐসু ৱারে। অসিনা মরম ওইবনা হে নিংথৌ য়াইফবাওঃ নিংথৌ ওইবা নহাক্তি তাইবং পুম্বগী নিংথৌনে, পিদোল থৌৱাই কনবিনবা চংজরকপনে। লৈবাক্কী মপি মপা ওইবনে, অদুনা তোল্লবা অহল ঐহাকসু নিংথৌ নশাইকোন্দা, খমনুং য়ুমজং তানবা ঙাইজরগে হায়নবু চংজরকপনে। হয়িং খোয়া ইল্লবা মনম নমথিবা চেল্লবা অহলদুগী ৱাঙাং তাবদা নিংথৌ মশাইকোন্দা লৈরম্বা মীওইবশিংনা তিন খাশিৎনখিয়ে।

অহল অদুগী য়াৱা খোঞ্জেলদুবু তাবদা নিংথৌ মমোম হাননা ফংজবী সৌবোল য়াইরেন চনু মহাক্তি মিৎলু পিরাং ঈহৌনবু মীকপনখিয়ে। চৎপদা মঙম য়াওদ্রবা লেংবা ওৎপা ৱারবা, লাইনা চেল্লবা অহলগীবু কনানা থৌগল লাংগনগা লৈহনসিদে খনবদা নিংথৌ পাইমা নুংবংলক্লে। নিংথৌ মরু লুক্লা পাইমা ৱাখল তৌরিঙৈদা মমোম সৌবোম য়াইরন চনুনা, অহল ওইবা মহাকসে, মমোম ওইবী মহকানা থৌগল লাংগলজগে, মমোমগী ৱাহৈ তাবদা নিংথৌ মপু থিবা মহাক্কী পাইমা ৱাখল মকা লামখিয়ে।

ইদিটরদা চেল্লকপা পাউথাং

[illegible]



লৌশিংগী পুক্কে - ১১৯৭
৯৯/০২

কষ্টদিয়ান, ইথোক–হন্দোকপা ঃ চনম হেমচন্দ্র

ন্লোয়্না মিংথোংপু ।। ৱুরেল্ ৱুথা নিংথৌ ।। চিঙ্ঙু নোংসাপাও তৌনা কৌয়্। হায়তাপারা ।। হে খোইয়ীম্ লায়্য়িংথৌ নঙ্কি ।। সানা হক্সাংলেল্তাকি তাথোক্খিপা ।। খোইয়ম্ তাত্যা নামুংপা ।। খম্নুং য়াইথোঙ্ ৱায়েল্পানা ।। সানা থ্বাকোক্ মাখা ওাই ।। খোইয়ম্ কংলয়্ আসীপা তিন্লুপ্ লুচিংপা ।। সল্থোঙ্ লায়্য়িংথৌনা ।। সানা থ্বাকোক্ মাখুম্ ওাইনা ।। মাল্লেম

নলোই মিংথোলবু। উরেল উথা নিংথৌ। চীঙঙু নোংশাবা–ও। তৌনা কৌয়ে। হায়দবরা হায়য়ে। হে খোই.ুম লাইয়িংথৌ নহাককী। সনা হকচালেলদগী তাথোক পুথোকখিবা। খোইয়ুম অতিয়া নামুংবা। খমনুং য়াইথোঙ্ ৱায়েলবনা। সনা থ্বাকোক মখা ওই। খোইয়ুম কংলৈ অশিবা তিনলুপ লুচিংবা। সলথোঙ লাইয়িংথৌনা। সনা থ্বাকোক মখুম ওইনা। মাললেম

লমায় অসিদা ফোংলিবা ফিচর আর্টিকলশিংদা পিরিবা মত অমদি লৌরিবা ফিরেপশিং অইবা মশাগীন– ইদিটর